ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯶, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, দিসেম্বর ০৬, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৫৩শুবা মশীং

সুপ্রিম কোর্টনা লৌখৎলকপা থৌরাং

মরাল লৈবা এম এল এ, এম পিশিং নাম্থোকপা ঙমগদৌরিবরা

পার্লিয়ামেন্ট নৎত্রগা ষ্টেট এসেমব্লিগী মেম্বর ওইরম্বা অমদি ওইরিবা মীওইশিংগী মথক্তা পন্দুনা লৈবা ক্রিমিনেল কেসশিং অথুবা মতমদা ট্রাইয়ল চৎথনবা সুপ্রিম কোর্টনা মরী লৈনবা কোর্ট খূদিংমক্তা খঙহনখ্রে। পন্দুনা লৈরিবা ক্রিমিনেল কেসশিং ট্রাইয়ল চৎথদুনা ৱায়েল পীনবা খঙহল্লকপদা মণিপুরগী হৌজিক-হৌজিক এম এল এ ওইরিবা মীওই ৮ চেন্নবা কেস ১২ য়াওরি। হৌজিক-হৌজিক এম এল এ অমসুং এম পি ওইরিবা নৎত্রগা ওইরম্বা মীওইশিংগী মথক্তা কেস ৪,১২২ পন্দুনা লৈরি হায়বা ৱাফম পুখৎলকখ্রবা মতুংদা চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই, জষ্টিস সঞ্জয় কৃষন কোল অমসুং জষ্টিস কে এম জোসেফকী বেঞ্চনা অথুবা মতমদা কেসশিং অসিগী ৱায়েল পীনবা খঙহনখিবনি। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা হায় কোর্টশিংনা পীখৎলকপা রিপোর্ট মতুং ইন্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা অমসুং ওইরম্বশিংগী মথক্তা কেস মশীং য়াম্না পন্দুনা লৈরি হায়বা খঙলকখি। পন্দুনা লৈরিবা কেস ৪,১২২ গী মনুংদা হৌজিক-হৌজিক এম পি অমসুং এম এল এ ওইরিবশিং চেন্নবা কেস ২,৩২৪ য়াওরি। হান্না এম পি অমসুং এম এল এ ওইরম্বা মীওইশিং চেন্নবা কেস মশীংনা ১,৬৭৫ নি। কেস ২,৩২৪ এম পিশিংগী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবগী মনুংদা হৌজিক ফাওবা কেস ১৯৯১গী চার্জ ফ্রেম তৌদ্রি হায়বা ৱাফমসু এপেক্স কোর্টনা খঙবা ঙমখি। সুপ্রিম কোর্টনা মমাঙদা এম এল এ অমদি এম পিশিং চেন্নবা ক্রিমিনেল কেস পূম্নমক স্পেসল দেজিগনেটেদ কোর্টশিংদা ৱায়েল চৎথনবা খঙহনখ্রবসু থবক ওইনা পায়খৎলকপা থেংনদ্রি। হীরম অসিগা মরী লৈননা এমিকস ক্যুরিগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা দেজিগনেটেদ সেসন্স কোর্ট অমমম্ অমসুং মেজিষ্ট্রেট কোর্ট অমমম্ লৈহনবা মথৌ তাই। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা কেসশিং অসিগা মরী লৈননা হাংদোকখিবা দেজিগনেটেদ কোর্ট ১২ মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট নিপান য়াওনা ষ্টেট ১৯, য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৬ অমসুং হায় কোর্ট পূম্নমক্কী রেজিষ্ট্রার জেনরেলশিংদা এম পি নৎত্রগা এম এল এ চেন্নবা কেসশিংগী মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্নবা খঙহনখ্রবনি। হায়রিবা ষ্টেটশিং অদুগী মনুংদা মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, ছতিসগর, গোৱা, গুজরাত, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, ঝরখন্দ, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, ওরিষা, পঞ্জাব, রাজস্থান, সিকিম, ত্রিপুরা অমসুং উত্তরখন্দ য়াওরি। অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দ, চান্দিগর, দদ্রা এন্দ নগর হবেলি, দামন এন্দ দ্যু, লক্সদিপ অমদি পুদুচেরিনচিংবা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদসু চপ মান্নবা মওংদা সুপ্রিম কোর্টনা রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখি। এম পি অমসুং এম এল এ ওইরিবা নৎত্রগা ওইরম্বা মীওইশিংগী মথক্তা পন্দুনা লৈরিবা কেসশিংদি মণিপুরগী এম এল এ নিপাল চেন্নবা ক্রিমিনেল কেস ১২, অন্ধ্র প্রদেশকী ১০৯, অরুনাচল প্রদেশকী ৬, অসামগী ৩৮, বিহারগী ৩০৪, ছতিসগরগী ২৪, গোৱাগী ১৫, গুজরাতকী ১১৯, হরিয়ানাগী ৩৫, হিমাচল প্রদেশকী ৩৪, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ১২, ঝরখন্দগী ১৬০, কর্নাটকাগী ১৬১, কেরলাগী ৩১২, মধ্য প্রদেশকী ১৬৮, মহারাষ্ট্রগী ৩০৩, মেঘালয়াগী ৩, মিজোরামগী ৪, নাগালেন্দগী ১, ওরিষাগী ৩৩১, পঞ্জাবকী ৩৪, রাজস্থানগী ৪৬, তামিল নাদুগী ৩২১, তেলঙ্গনাগী ৯৯, ত্রিপুরাগী ১৬, উত্তর প্রদেশকী ৯৯২, উত্তরখন্দগী ৩৪, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ২৬৯ অমসুং পুদুচেরিগী ৩৪ নি। অমরোমদা, এসোসিয়েসন ওফ দেম্মক্রেটিক রিফোর্মস (এ দি আর)গী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি কুমজা ২০১৪গী লোক সভা মীখলদা মায় পাকখিবা এম পি চাদা ৩৪ ক্রিমিনেল চার্জ মায়োক্নবা মীওই ঙাক্তনি। হৌজিক-হৌজিক মীয়ামগী মীহুৎনি হায়না লৈরিবা লোক সভাগী মেম্বর ৫৪১গী মনুংদা মীওই ১৮৬ তি তোঙান-তোঙানবা ক্রিমিনেল কেসশিংদা চেন্নে হায়বা এ দি আরগী রিপোর্ট অসিদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। মমাঙগী কুমজা ২০০৯ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদসু ক্রিমিনেল কেসতা চেন্নবা মীওই ১৫৮ মায় পাক্তুনা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইখিবনি। ‘ক্রিমিনেলাইজেসন ওফ পোলিটিক্স’ নৎত্রগা ক্রাইম তৌবা মীওইশিংনা পোলিটিক্সতা মরু ওইবা থৌদাং লৌবগী থৌওং মপূং ফানা থিংবা ঙমদ্রি হায়বা রিপোর্ট অসিদগী অদুম্মক খঙবা য়ারে। পূন্সিগী তাঙ্কক অমদা, খন্থহৌদবা মীৎকুপ্তা অরানবা লন্মীদা খোঙদারুবা মীওই খূদিংমক মপূন্সি চুপ্পগী ওইনা খুন্নাইদগী লাপ্না ইন্থোক্তুনা থম্ফম থোক্তে হায়বা তারগসু হঞ্জিন-হঞ্জিন তমথিবা ক্রাইম কয়াদা চেন্নবা, মী হাৎপদা হালেংদ্রবা অমসুং হুরান-চিন্থি তৌবদা নাচুংদ্রবা মীওইশিংবু মীয়ামগী মীহুৎ ওইহন্দনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। তাবদা তুজুংলবা থৌদোক কয়াদা চেন্নবা মীওইশিংনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরক্তুনা লৈঙাক চুপ্লি পায়রকপা মতমদা লৈবাক্কী ফীভম করি ওইরক্কদগে হায়বা অমুক নৌহৌনা নৈনরুদ্রগসু পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। হীরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ক্রিমিনেল কেসতা চেন্নবা মীওইশিং মীখলদা মীরেপ ওইহন্দনবা থৌরাং অমা লৌখৎলক্লিবসি তরাম্না ওকফম থোকই। ক্রিমিনেল কেসতা চেন্নবা মীওইশিং মীখলদা মীরেপ ওইবা য়ারোই হায়বা ৱায়েল পীবমক নৎত্রগসু হীরম অসিগা মরী লৈনবা লো শেম্নবা এপেক্স কোর্টনা পার্লিয়ামেন্ট, পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং পোলিটিসিয়নশিংদা খঙহনখি। মী হাৎপা, মী ফারগা থাদোকমল লৌবা অমসুং নুপীগী মায়োক্তা চৎথবা ক্রাইমদা চেন্নবা মীওই কয়ানা মীয়ামগী মীহুৎ ওইদুনা দিমোক্রেসিগী মশক থীহল্লক্ত্রিঙৈদা মতীক চাবা থৌরাং অমা লৌখৎফম থোক্লে।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

কংলৈ পাউরৌ অরিবা

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ৱাথোক চাউবী ইমা মণিপুর, ওইরেদো ঙসিদি ঙাওরবী, য়েলহৌ নচাশিংসু ওইরে অঙাওবা, নমাংসু লাং-নতুংসু তেন, করিবু থোক্লগবা। শক ফজবী ইমা কল্লক্লে, রাসি লৈবী শক্তম মিহৌরে, পুকচেল চাউবী ইমাবু খোইদারে, শাগন পান্থোম লাকনা চিংনা, মীতোপ মীয়ানচা মখৈ লাংলে ইমাগী ঙমখৈ মনুংদা।

ইমাগী পারিহন নচাশিং, শামু লৌশিংবা লৈঙাকলোয়শিং নীংশিংবীয়ু কংলৈ পাউরৌ অরিবা - “হা ইতৈ ঙাসেপ চিপানদো, ঈশিৎপা লাক্লে কমদৌসেবা, ইতৈ লৈরি ৱারুনু, হাদা ইতৈ ঙাসেপ চিপানদো ঈশিৎপা হৌরে কমদৌনি, ইতৈ লৈরিসিদি খল্লুনু, হাদা ইতৈ ঙাসেপ চিপানদো, ঈশিং কংলক্লে কমহাইতৌনি, ঈশিৎপগী খূৎতা তারনি। হাদা পেন্মা ফেটিন মৈঙাঙবী ইতৈ লৈরি করিসু খল্লুনুদা। হাদা ইতৈ ঙাসেপ চিপানদো ঈশিং কংলে ইতৈও। হাদা ঙমু ঙাপেন্মা, ঙাচোং ঙাতেন ঙাকিচৌ, হাদা পেমমা ফেটিন মৈঙাঙবী করি তৌনি হৌজিক্তি ঐখোয়সু নখোয়সু লোংখ্রাক লোং। অসুম্না লৈঙাক্তুনা লোইখ্রগদরা, লোইহঞ্জনীংখিদ্রেদা। তুংগী পোরম পোমিৎ য়াৎথোকপীয়ু, য়াইফমিন্নরসি তুং কোয়না, খুরুমজরি।

অদোমগী - খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর, কুম্বী।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৫

১। মণিপুরগী পুৱারীদা লাচন্দুনা লৈরি, মাইনু পেমচানা থৌরি য়ান্দুনা শিখিবা। হৌজিক ফাওবা চনু অসিগী ৱারীনা ঐখোয়গী খোরিরোলদা অচৌবা মফম অমসু কল্লি।
   (ক) মাইনু পেমচানা শিখিবা কুমজা, তারিখ হায়য়ু।
   (খ) মাগা মরী লৈনরিবা বোরাচাওবা কনাগী মচানো?
২। “ময়াম্না দুর্বাসা হায়রগা খঙনৈ।... মাগী মথক্তা ৱা ঙাঙবা য়াদে।” ৱাফম অসি ক্রিটিক অমনা অইবা অমবু হায়রিবনি। অইবদু কনানো?
৩। “ৱারীমচা ইবা নবকুমার নোংমৈকাপম্বু মীরায়বা য়াবা অইবরা?” ৱাফম অসিসু ক্রিটিক অমনা নবকুমারবু থাগৎতুনা হায়রিবনি। ক্রিটিক অদু কনানো?
৪। ঐখোয়গী ৱারীমচা ইবী অমনা ১৯৮৭তা ‘কদায়দনো’ কৌবা উপন্যাস অমা ফোঙলকখি। অইবী অদু কনানো?
৫। “মায়কৈ অমরোমদা মপুরোইবগী মফমদগী শর্মিন্দানা মচাগী পাউ তাবদা পুন্সি চুপ্পা খুদাং পিফম কংদনা লেনখি।” পরেং অসি ‘কল্যানী’ কৌবা উপন্যাসতুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

থৌশাহৌদবা মীকুপশিংনা পুন্সি শেম্বনি

সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

চার্লস লোনরো স্কলজ, স্পার্কি হায়নসু মিংগৌনবা অমেরিকান কার্টুনিষ্ট অদুনা হৌখিবা চহীচাগী হুন্মফুতরাগী মতমদা কোমিক স্ক্রপ্ট অমা ইখি। মালেম শীন্না মমিং চৎখি। মথং মনাও (সেরিঅল) ওইনা ফোঙখিবা স্ক্রপ্ট অদুগী মমিং ‘পি-নটস’ কৌই। চার্লি স্কলজ’না হায়রম্বা ৱা অমা ঙসি খঙনীং নীংশিংলকই... ‘নঙনা নুংতিগী থেংনরিবা মরুপ মপাং, খঙন-চান্নবা, মীতোপ-মীনৌ, থোক্লিবা থৌদোক, চৎলুবা মফম... ইচম চম্না কৈদৌনুংদা লৌরুগনু... মখোয় পূম্নমক নঙগী পুন্সি শক্তম শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীশক অমদি মফম ঙাক্তনি।

অমুক মম, অমুক ঙান, অমুক নোক, অমুক কপ ... হিংনবগীদমক চাদ য়াদবা চীঞ্জাক মথেল খরা চারগা পংহিং হিংলিবা পুন্সি অমগুম খন্নৈ পূম্নমক্লা। হামু হমু, হান্নগুম পংহিং হিংলিবা পুন্সিদুদা নোংমা খঙহৌদবা মীকুপ অমদা লাক্কনি পুন্সিগী খ্বাইদগী হেন্না অখন্নবা, স্পেসল ওইবা মীকুপ অমা।

অসুম্না অদোমগী পুন্সিদা থোকখিবা থৌদোকশিং, থেংনখিবা মীশকশিং, পুন্সি তাঙ্কক কয়াদা চৎলু কোয়রুবা মফমশিং পূম্নমকসি নোংমতং ইদোম চীক্লা ফমদুনা নীংশিংবীয়ু। নোংমতসু খল্লুদবা কাউরুরবা থৌদোকশিং - হৌনদুনা থোক্লক্কনি। ঈংনা চীক্লা খন্থবীয়ু - মখোয়না অদোমগী পুন্সিদা করি ইথিল পীখিবগে? খঙলক্কনি - অদোম্না হেন্না মতিকচাবা মীওই কয়া অদোম্না হিংলিবা পুন্সিগী থাক অদুদগী হেন্না ফবা থাক অমদা হিংলিবা! মহাক্লা ঙম্বা থবক্তু নক্তনা করিগী ঙমদ্রিবা? অতোপ্পনা তৌবা থবক্তুদগী করিমত্তা চাং তাদনা অদোম্না তৌরুদুনসু করিগী মায় পাক্ত্রিবা? অসিনচিংবা ৱাহং কয়া হংজরক্কনি ইশাদা। য়েংবীয়ু - ইশানা পেনবা পাউখুম ফংবীবরা?

ঐ খঙই - ঐবু ইমা ইপানা অচৌবা মী ওইহন্নীংখি। অঙাং ওইরিঙৈদদি খঙখিদে - ইমানা করি পামখিবা? ববানা করি খনখিবা? অদুবু, মীথোই মীহেনবা অচৌবা মী ওইহন্নীংবা মচা ঐহাকসু বোরা য়েপ্লগা চৎপা স্কুলদুদা তমহল্লকই। ঐতা নত্তে, মতমদুগী ইমান্নবা অয়াম্বা অদুগুম্বা স্কুলদা তম্লকখিবমক্তনি, কোন্না খঙলকখি। অদুগা, মখোয়না মায় পাকপা মী অমমম ওইখ্রগা ঐনা করিগী মীমান্নদ’ লৈরিবা? মীমান্ননা মায় পাকপা ঙমদ্রবসু, নোংমা শোয়দনা ঐগীসু নুমিৎ লাক্কনি হায়বা থাজবদুমদি মাংঙু য়াদে থম্মোয়সিদগী।’ সিবু ঙক্তে করম হায়সিগে! ইশানা ইশাদা থেমজিনজৈ - লাইফ ষ্টার্টস এট সিক্সটি (পুন্সি হায়বসিদি চহী হুম্ফুদগী হৌবনি)। ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈদদি ‘নিফু’ হায়নরম্বনি। ইন্টরনেসনল সেন্টর ফোর কৃষ্ণ কন্সসনেস (ইস্কোন) লিংখৎলম্বা প্রভুপাদন সোসাইটি অসিগী য়ূম্ফম ‘আমেরিকা’দা থোনবা চৎপা মতমদুদা মশাগী চহী হুম্ফুমাপন শুরবনি। তেল্লবা মতম অমদা মালেম শীন্না শন্দোক্লম্মী - কৃষ্ণ খঙবা হায়বসি ইশাবু খঙজনবগী খ্বাইদগী চুম্বা লম্বীনি। উপনিষদকী ৱারী, বেদান্তগী ৱারী, মহাভারত রামায়নগী ৱারী অঙাং ওইরিঙৈ অমদি নহা ওইরিঙৈগী কোক’তুদা মচু শঙহল্লকখিবা - পূক্লিংসিদা ইথিল পীনবনি। স্কুল তম্লিঙৈ মতমগী নৌরিবা কোক মচাশিংদা ওজাশিংনা মথৌ শঙলকই - রচনা (ৱারেং/এসে) ওইনা ইহল্লকই - মাই এইম ইন লাইফ (পুন্সিদা ঐনা করি তৌগে খল্লিবা)। অঙাং ওইরিঙৈদগী মঙ মঙবা তম্বীরকখি - ওইরোইদবা মঙলান! তৌগে খনবা থবক অমত্তা তৌবা ঙম্লকখিদে, তৌগে খনখিদবা থবক্তুদা তৌদুনা পুন্সি অসি লেল্লক্লি। ওইগে খনবা মীশক্তুদি ওইবা ফংলকখিদে ঙসিফাও, ঐনা নোংমতসু ওইগে খল্লকখিদবা মীশক্তুনি ঙসি ঐনা ওইরিবা। অদুগা থেংনরকই অশেপ্পা ৱাহায় অমা - মেন ৱিসেস, গোদ দিসপোজেস (মীনা নীংবনা অমা, লাইনা শীনবনা অমা)। মরমসিনা অমুক হায়রকই অচৌবা মঙ মঙলুনু, মঙলান’দুনা কায়খিবদা ফংগদবা চৈনাদো খাঙবদা পুন্সি কেম্বনি।

ৱাকোই ওইনা থোক্লবরা? ৱারেংসিগী অহৌবদা থমজখিবা ৱা - স্কলজ থিওরি অদুগী মরমদা হাইফেৎ অমুক নীংশিংজগে। অদোমসু থেংনবীরম্বা য়ারে ৱাফম অসি মমাঙদা। অদুবু মতাং চাই খন্দুনা নীংশিংজবনি। থবক অমগীদমক মতিক চাবা মীশক অমা খন্নবা এপ্লিকান্ট ময়াম লাকপদুগী কান্নদবা ময়াম খন্দোকখিনবা ‘চাংয়েং’ হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। থবক্তু তৌবদা মহাক্লা চেনফদ্রবা গুন/ক্বালিফিকেসন অদু তশেংনা চেল্লবরা হায়বদু য়েংনবা পাঙথোক্লিবনি - অইবা চাংয়েং, ৱাহং পাউহং অমদি হকচাংগী ফীভম য়েংশিনবা (মেদিকেল ফিটনেস টেষ্ট)। অসিগুম্বা চাংয়েং অসিদা মহাক্কী হৈশিংবা অমদি তম্লকপা লৌশিং চাংয়েংবগী মথক্তা ‘অহেনবা লৌশিং (জেনরেল নোলেজ) গী চাংয়েং’ তঙায়ফদবা অমা ওইনা লৌনৈ। মী অমবু মপূং ফাবা মীশক অমা ওইহনবদা জেনরেল নোলেজনা কয়াম কান্নবা পীবগে? স্কলজগী ৱাহংনি। অসিগুম্বা ৱাহং খরা ঐখোয় মশেল অমুক্তং হংনসি। পরিক্ষাগী নম্বর পীবা ৱাহং নত্তে। ৱাহংশিংসিগী অচুম্বা পাউখুম, কয়াম থুনা, কয়া পীবা ঙম্বগে? ইশানা ইশাদা চাংয়েংজরগা অতোপ্পবুসু অমুক্তং চাংয়েংবীয়ু।

অহানবা ৱাহং - ২০১৬ ওক্টোবর থাগী অরোয়বা ফাওবদা মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীশক ওইখিবা মীশক তরাগী মমিং, মথং মনাও নাইনা, মশাগী মরলগা (দোল্লারদা) কোন্ননা হয়য়ু।

অনীশুবা ৱাহং - ২০১৬ হৌরকপদা ‘নরেন্দ্র মোদি’ - মালেমগী খ্বাইদগী শক্তি লৈবা মাপনশুবা মীশক ওইরম্মী। হৌজিক কয়াশুবদা লৈবগে?

অহুমশুবা ৱাহং – ইন্দিয়াগী নুপীমচা কয়ানা ঙসি ফাওবদা মিস য়ুনিভর্সকী লুহুপ উপখ্রবগে? হৌখিবা চহীদা কনানা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনখিবগে? কুমসি চহীগীনা কনানো?

মরিশুবা ৱাহং - ২০১৫ ফাওবগী মালেমগী খ্বাইদগী ফাওবা (চাউবা, গ্রেট) ক্রিকেটর বেটসমেন মঙাগী মমিং হায়ু। খ্বাইদগী মায় পাকপা টেষ্ট অমদি লিমিটেদ ওভর ক্রিকেট কেপ্তেন কনা কনানো?

মঙাশুবা ৱাহং - হৌখিবা চহী মঙাসিদা দাদা সাহেব ফালকে এৱার্দ ফংখিবা ফিল্ম পার্সোনেলিটি মঙাগী মমিং হায়য়ু।

তরুকশুবা ৱাহং - হৌজিক ঐখোয়গী পুন্সিদা অচৌবা খোঙলোয় ওইরিবা মোটোর সাইকল, কার, এরোপ্লেন, টেলিভিজন, কম্প্যুটর, মোবাইল ফোন, নোংমৈ অমদি এটোম বোম পুথোক্লম্বা মীশকশিংদুগী মমিং হায়ু।

নিপানশুবা ৱাহং - ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুং চহী কয়া লৈরগা মণিপুর ইন্দিয়াগী ষ্টেট ওইরকখিবগে? হেক পোকপা নুমিৎতা ষ্টেট ওইনা পোল্লককখিবা অৱাং নোংপোক্কী নিংঙাই চাউবা ষ্টেট অদু করিনো? কৈদৌঙৈ পোকখি?

মাপনশুবা ৱাহং – এন এস সি এন (আই-এম) গী লুচিংবা – কৈদৌঙৈ, কদায়দা পোকখি? কদায়দা মহৈ (কোলেজ) তম্লকখি?

ৱাহংশিংসিগী পাউখুম অদোম কোয়থি থিরবদি ফংগনি। অদুবু কনাগী কোক্তসু নীংশিংদুনা লৈরম্লোই। নীংশিংদুনা লৈবগী কান্নবসু লৈতে। পূম্নমক অসি নীংশিংলগা ঐহাক হেন্না মতিক চাবা মহৈ হৈবা মীশক অমা ওইগদবসু নত্তে। থবক অমা তৌবদা হেন্না থৌপাংবা ঙমগদবসু নত্তে। অদুবু, অসিগুম্বা ৱাহংশিং, ওফিসর অমগী ইফিসিয়েন্সি চাংয়েংদা হংই। স্কলজ থিওরিনা হংই - মসিগী কান্নবা করিনো?

অদুগা অমুক হংবীয়ু - (১) অদোম্না নহে নশিন তম্লকপদা অচৌবা ইথিল পীখিবা ওজা, মরুপ মপাং অমদি মরী মতা খরগী মিং (২) অৱা অনা কয়াদসু মায় লৈদুনা চেনখিদবা নঙগী মরুপ লৈবরা, মমিং হায়ু। (৩) নঙবু তশেংনা নুংশিখিবা, নহাক্লসু নুংশিখিবা (হৌজিক্তি লাপ্লখ্রবা) খরগী মিং হায়ু (৪) নঙনা থবক তৌবদা অশোয়বা কয়া তাকপীদুনা পূক্লিং থৌগৎপীবা অমদি নহাক্কী অশোয়বতা থিরগা হুল্লান্দুনা ঙাঙবা মীশকশিংদু কনা কনানো, মমিং হায়ু। (৫) মনাক্তা লৈরগতা নুংঙাইজবা মীওই অমদি নহাক্লা খ্বাইদগী হৈনদবা মীশকশিংদু কনানো?

অকোনবগী ৱাহং মঙাসিগী পাউখুমগীদমক জেনরেল নোলেজ পাবা দরকার ওইগদ্রা? মসিনি ‘চার্লেস স্কলজ’ গী ৱাখল্লোন। নঙবু মায় পাকপা মীশক অমা ওইহল্লকখিবদুদি ‘জেনরেল নোলেজ’ না নত্তে, থৌশাদবা মীকুপ থেংনখিবা, মশীং খঙদ্রবা, কাউখ্রবা মখোয় ময়ামদুননি। ◀◀

স্বাছ সরবেক্সন ২০১৯

সিটি প্রোফাইলগীদমক রেজিষ্ট্রেসন তঙাইফদবা

- সোরোক নোরেন -

অর্বান এরিয়াদা লৈরিবা মীওইশিংগী সেনিটেসনবু মপাঙ্গল কলহন্নবা পায়খৎপা স্কিম/প্রোজেক্ট মখল অমনি স্বাছ সরবেক্সন। স্বাছ সরবেক্সন ২০১৯ অসি থারগা চহী মরি মপূং ফারে স্বাছ সরবেক্সন পাঙথোক্তুনা লাকপা। অহানবদা স্বাছ সরবেক্সন ২০১৬কী সর্ভে শুপ্নগী সিটি ৭৩ খক্তনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। অনীশুবদা স্বাছ সরবেক্সন ২০১৭কী সর্ভেদনা ইন্দিয়াগী সিটি ৪৩৪না শরুক য়াখি। ২০১৮ স্বাছ সরবেক্সন্দনা অপূনবা সিটি ৪২০৩না শরুক য়াদুনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌদুনা পাঙথোকখি। হন্দক্কী চহী ২০১৯ স্বাছ সরবেক্সন অসিদদি ইন্দিয়াগী টাউন পূম্নমক্লা শরুক য়ানবা মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান এফ্যেরসনা মাঙজৌননা খঙহল্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈনননি হৌখিবা নবেম্বর ২৮, ২০১৮গী অয়ূক পুং ৯দগী নুংথিলগী পুং ৪.৩০ ফাওবা হোটেল য়াইস্না গান্ধী এভেন্যুগী কনফরেন্স হোলদা মণিপুরগী য়ু এল বি ২৭কী মীহুৎশিং শরুক য়াদুনা রেজিষ্ট্রেসন কম ৱার্কশোপ স্বাছ সরবেক্সন ২০১৯ পাঙথোকখি। অয়ূক্কী পুং ৯ হায়জরবসু নিংথমথা নুমিৎনিনা অরাপ্পা কুম্বী, ক্বাক্তা, শুগুনু, ককচীং খুনৌ, অন্দ্রোদগী লাক্কদবশিং ঙাইনরিঙৈ ৱার্কশোপ অদু হৌবদি অয়ূক্কী পুং ১০ অদুম তারে। মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট এজেন্সি (মুর্দা) গী সেক্রেটরি থিংবাইজম হরিকুমার, দেপ্যুটি সেক্রেটরি জয়ারানি লাইশ্রম অতৈ ওফিসিয়েলশিংনা মতম চানা হৌনবা হোৎনরবসু হায়রিবা পুং ১০ অসিদদি টাউন খুদিংমক্কী মীওইশিং পূম্নমক শুনা তিনখি। টাউন অমমমদগী তঙাইফদনা শরুক য়াবা তারিবা মীওইশিং অসি টাউন অদুগী এগজিক্যুটিভ ওফিসর নৎত্রগা টাউন অদুগী নোদেল ওফিসর ওইবা লোয়ননা কম্প্যুটর ওপরেটর অমগনি। বিষ্ণুপুর টাউনগীদি অইবা ইশানা নোদেল ওফিসর ওইরগা এগজিক্যুটিভ ওফিসর থৌদাম সোনি অমদি নেপ্রম হেমলেট এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র ঐখোয় অহুম্না অচৌবা থৌদাং লৌদুনা সিটি প্রোফাইল শেম্বা ইহান হানবা টাউন ওইখি হায়বা তাই।

ঙসিগী ৱার্কশোপ কম রেজিষ্ট্রেসন সিটি প্রোফাইল অদুগী মরুওইবা থৌবু রিছোর্স পার্সন ওইনা মুর্দাগী এম আই এস এক্সপার্ট তরঞ্জিৎ ওক্রমনা ওইরগা অচৌবা মতেং পাংবনা মুর্দাগী সেক্রেটরি/দিরেক্টর মাহুদ থিংবাইজম হরিকুমারনি। মমাঙদসু সিটি প্রোফাইলগী রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা হোৎনবদা মথৌ তারিবা দোক্যুমেন্ট অসি কোর্পোরেসন অদুগী কম্মিস্নর, কাউন্সিল অদুগী এগজিক্যুটিভ ওফিসরনা এপোইন্ট তৌবা নোদেল ওফিসর নৎত্রগা নোদেল ওফিসর অদুনা মশানা পীজবা সেল্ফ দিক্লারেসন সার্টিফিকেসন নোদেল ওফিসরনি হায়বগী দোক্যুমেন্ট, নোদেল ওফিসর অদুগী ঈ-মেল, মোবাইল নম্বর হায়রিবা দোক্যুমেন্ট অহুম অসিনা মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান এরিয়াসতা অপলোদ তৌদুনা সিটি অদুগী নোদেল ওফিসর ওইবগী রেজিষ্ট্রেসন প্রোসেসনি। নোদেল ওফিসর অদুগী পাসৱার্দ ফংলবা তুংদা সিটি অদুগী আই দি অমদি নোদেল ওফিসর অদুগী পাসৱার্দ শীজিন্নদুনা সিটি অদুগী প্রোফাইলদা দোক্যুমেন্ট খুদিংমক অপলোদ তৌদুনা মিনিষ্ট্রিদা থাগনি। তঙাইফদনা মথৌ তারিবা দোক্যুমেন্টশিং অদু টাউন অদুগী জুরিসদিক্সন মনুংদা লৈরিবা স্কুল, কোলেজ কয়া লৈবা, কর্মসিএল এরিয়া হায়বদি মার্কেট এরিয়া কয়ানো, বস ষ্টেন্দ, ওটো পার্কিং, হেরিটেজ সাইদ, পব্লিক এরিয়া, চর্চ, টেম্পল, মুসলিমগী লাইশঙ অসিনচিংবা কয়া। মরুওইরিবদি হায়রিবা মফমশিং অদুগী মিটর ৫০০/৫০০ খুদিংগী পব্লিক টোইলেট অমমম মথৌ তাবদসু পল্লি। অসিগুম্বা মরুওইবা দোক্যুমেন্ট অদু চৎলিবা থা অসিগী হায়বদি দিসেম্বর ১৫, ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা অপলোদ তৌবা ওইগদবনি। মসিনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ১, ২০১৯দগী জন্যুৱারী ৩১ ফাওবগী মনুংদা হাপ্তা মরি চঙনা সর্ভে তৌদুনা সিটিশিং অসিগী স্বাছ সরবেক্সন ২০১৯গী অথোই অহেন লেপকদৌরি। তৌবদি মমাঙ চহীগী স্বাছ সরবেক্সন ২০১৮গী সর্ভেদদি থার্দ পার্টি অমনা কর্বিগুম্না অচৌবা এন জি ও অমগী খূত্থাংদা স্পোট দোক্যুমেন্ট য়েংবা লাক্লম্বদু হন্দক্কী স্বাছ সরবেক্সন ২০১৯দদি কর্বিগী মীহুৎশিংনা লাক্তুনা য়েংশিল্লরোই।

সিটি মশা-মশানা সিটি প্রোফাইল অদুদা থাগৎলিবা/অপলোদ তৌরিবা দোক্যুমেন্টশিং অদুখক্তদা য়ূম্ফম ওইরগা সর্ভে তৌরগনি। হকথেংননা কর্বিগী কাঙবুশিং লাক্তুনা দোক্যুমেন্ট চ্যেক তৌবগী তঙাইফদবদু হন্দক্কী ২০১৯ স্বাছ সরবেক্সন অসিদদি লৈত্রে। সিটিজন ফিদবেক্কীদমক্তদি য়ু এল বি মশাদা করিগুম্বা মাঙজৌননা খঙহনবা তৌদনা অদুমক মিনিষ্ট্রিনা থানীংবা মতমদা থার্দ পার্টিগী মীওইশিং কর্বিগুম্বদি থাদুনা লৌগদৌরি। হন্দক্কী অসিনা অহোংবা ওইহল্লিবা থৌওং অসি মমাঙগীদনা থার্দ পার্টিনা হকথেংননা দোক্যুমেন্ট চ্যেক তৌবা অদুগা হৌজিক্কীনা অপলোদ তৌবা দোক্যুমেন্টনা মরুওইবা অসিনি। মমাঙদা পুরিবা মার্ক ৪০০০ হন্দক্কী অপূনবা মার্ক ৫০০০। মমাঙদা কয়াৎ অহুমনা মপূং ওইরম্বদু হন্দক্কী ২০১৯দদি কয়াৎ মরি থোক্তুনা খরা কুপথনা য়েংলি হায়বা তাই। কুমজা ২০১৮দা থোক্লিবা কয়াৎশিং অদুনা পুরিবা মার্ক অসি সার্ভিস লেভেল প্রোগ্রেস ৩৫%, দাইরেক্ট ওবজার্ভেসন ৩০%, সিটিজন ফিদবেক ৩৫%নি। অদুবু কুমজা ২০১৯দদি সার্টিফিকেসনগী কয়াৎতা ২৫%নি। মসিদসু ষ্টার রেটিং ওইনা ২০% অদুগা ও দি এফ/ও দি এফ+/ও দি এফ++তনা ৫%নি। দাইরেক্ট ওবজার্ভেসনদা ২৫%, সার্ভিস লেভেল প্রোগ্রেসতা ২৫%, অরোইবগী সিটিজন ফিদবেকনা ২৫% অসিনি। সার্টিফিকেসনগী মতাংদা ও দি এফ+, ও দি এফ ++হায়রিবশিং অসিনা মপূং ওইবা পব্লিক টোইলেটশিং অদুগী থবক থৌরম লূবা-নানবা, য়াম্না কুপ্না য়েংবা অমা চঙলি।

হন্দক্কী ২০১৯গী স্বাছ সরবেক্সন অসিগী অহানবা কয়াৎ সার্ভিস লেভেল প্রোগ্রেস অসিদা পার্ট ৱান ওইনা তৌদবা য়াদবশিং অসিসু অমুক শরুক তরেৎ থোক্লি। ১) কলেক্সন এন্দ ট্রান্সপোর্টেসন (সবেন ইন্দিকেটরস) ২) প্রোসেসশিং এন্দ দিসপোজল (আসট ইন্দিকেটরস) ৩) সষ্টেনেবল সেনিটেসন (সবেন ইন্দিকেটরস) ৪) আই ঈ সী এন্দ বিহেবিয়স চেঞ্জ (থ্রি ইন্দিকেটরস) ৫) কেপাসিটি ব্লিদিং (টু ইন্দিকেটরস) ৬) বাই-লোজ/রেগ্যুলেসন (ফোর ইন্দিকেটরস) ৭) ইনোবেসন এন্দ বেষ্ট প্রাক্টিসেস (টু ইন্দিকেটরস) নি। পার্ট ৱান-এদনা ইন্দিপেন্দেন্ট ভেলিদেসন ওফ সার্ভিস লেভেল প্রোগ্রেস। পার্ট - ২, সার্টিফিকেসন। পার্ট - ৩, দাইরেক্ট ওবজার্ভেসন। পার্ট -৪, সিটিজন ফিদবেক। সার্টিফিকেসনগী মতাংদা য়াম্না পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরিবদি হন্দক্কী ও দি এফ ষ্টেটস অসিনি। শুপ্নগী সিটি মশানা ও দি এফ ওইরে হায়দুনা লাউথোকপখক্তনা মার্ক ২৫ ফংলি। সিটি অদু ও দি এফকী সার্টিফাইদতি ফংলবা রি সার্টিফাইদকীদমক হোৎনবদা ফেল ওইরগনা মার্ক ১০০। রিসার্টিফাইদতা রিজেক্ট তৌদনা সার্টিফাইদ ফংলগনা মার্ক ১৫০। সিটি অদু ও দি এফ +কী সার্টিফাইদ ফংলগদি মার্ক ২০০। ও দি এফ ++কী সার্টিফাইদ ফংলগদি অপূনবা মার্ক ২৫০ পুরি। দাইরেক্ট ওবজার্ভেসনগী ওইনা য়েংবা য়ারিবসি - রেসিদেন্সিয়েল এরিয়া অমসুং কম্মর্সিয়েল এরিয়াশিং অদু তরু তনানৱা। রেসিদেন্সিয়েল এরিয়াগী অমোৎপদু কদাইদা পুথোক্তুনা থম্বগে - স্লম/অরিবা মফমদা/প্লান তৌদবা মফম/নিংথিনা শেম শাবা মফমশিং য়াম্না কূপ্না য়েংবগী তঙাইফদবদু উৎতুনা দাইরেক্ট ওবজার্ভেসন তৌগনি। অদুবু পীগদবা মার্কশিং মফমনা সহর অদু পূন্না য়েংবদা অমোৎ অকাই উদ্রবদি অপূনবা মার্ক ২০০। নানদি নানবা ফত্তবা পৈশিনবা মফমশিং উবা ফংলবদি মার্ক ১৫০। মচেৎ-মচেৎ নানবা পৈশিনফম মরাং কায়না থল্লবদি মার্ক ১০০ ফংবা য়াই। তশেংনা নানদে হায়না লৌরবদি মার্ক অসি ০ ফংগনি। মরম অদুনা তশেংনা কম্মর্সিয়েল এরিয়াশিং অসি ৱাই শিৎপা মী থমদুনা তরু-তনানবা মফম অমা ওইহনবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসি সিটি অদুগী অচৌবা থৌদাংনি হায়বসি দাইরেক্ট ওবজার্ভেসন্না ময়েক শেংনা উৎলি।

খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি হায়না লৌরিবা দিরেক্টর ওবজার্ভেসনগী শরুক অসি পব্লিক অমদি কম্ম্যনিতি টোইলেটকী ফীভম অসিনি। অপূনবা মার্ক ১৫০ ওইরি। রেঙ্কিং স্কিম ওইনা অনী থোক্লা খাইদোক্লগা য়াম্না কূপ্না য়েংলিবনি। টোইলেট অদু কংনা তরু-তনান্না প্লষ্টর অমদি টাইলসকী অকায়বা মচেৎ অমত্তা উহন্দনা থম্বা ঙল্লবদি মার্ক ৪০। নুপা নুপীগী তোঙানবা সেক্সন থম্বদা মার্ক ৩০ ফংগনি। টোইলেটকী সিট খুদিংমক্কী দষ্টবিন থল্লগসু য়েংবা মতমদা অমোৎপা য়াওহন্দনা লৈবা ওইগদবা। কোনজিন পান্দুনা ঈশিং মরাং কায়না ফ্লস তৌবা য়াবা ওইহনগদবা অঙাংশিংনা শীজিন্নবা য়াবা অপিকপা কোমুদ অমদি য়ুরিনেলশিং অনেম্বা ওইহনবা অমদি মীগা মীমান্নদ্রবশিংনা লায়না শীজিন্নবা ঙম্নবা রেম্পকুম্বা সিড়ি নত্তবা শেম্বগী মওং অসিনি মপূং ওইবা লৌবা য়াবা মার্কনা মথৌ তারিবা। অতোপ্পা রেঙ্কিং অমগী মেথদনা টোইলেটকী মফম খুদিংমক নুংশা মঙাল ফংবা নৎত্রগা ইলেক্ট্রিক লাইট মরাং কায়বা ওইগদবা। থম্বা তারিবা ৱাস বেসিন মনাক্তা খূৎশা হাম্নবা সাপোন লৈব্রা অমদি টোইলেটকী কাশিং অদুগী থোঙশিং অদু লোনবা য়াবা পোরোনশিং/বোল্টশিং হাপ্পা। টোইলেট অদুগী য়েংশিনবীনবা অমদি শেন্ননবা মীওই থমদুনা ঙাক শেনব্রা হায়বনচিংবা অসিনা স্কিম অনীসিগী রেঙ্কিং সিষ্টেম ওইরি।

অরোইবগী সিটিজন ফিদবেক অসিনি খ্বাইদগী মরু ওইনা লৌবা য়ারিবা। মরমদি মীয়ামগীদমক লৈরিবা সিটি অদুগী ওফিসিয়েলশিংনা কদাই ফাওবা থৱায় য়াওনা মীয়ামগী খল্লগা তৌই-তৌদে হায়বসি অরোনবা ওইনা মীয়ামগী মত লৌরবকান্দতা খঙগদৌরিবনি। অহানবগী ৱাহং ওইনা হংবা য়ারিবসি নঙগী সিটি অদুগীদমক স্বাছ সরবেক্সন ২০১৯গীদমক করি থবক পায়খৎপা উরবগে। পায়খৎপা উরে হায়বখক্তা খুম্বদা মার্ক ১১৫, খঙদে হায়রগনা ০নি। নঙগী সহর অদু নঙ নশানা নাল্লে হায়না লৌব্রা হংবা তাবদা - নাল্লি হায়না খুম্বখক্তদা মার্ক ১২৫, য়াম্না কন্নদি নান্দে অদুবু মমাঙ চহীদগীদি হন্দক্লা খরা হেল্লি খুম্বদা মার্ক ১০০। হান্নদগী অহোংবা লৈতে খুম্লুরদি মার্ক ৫০। অদুনদি সিটিজন ফিদবেক অসিসু খ্বাইদগী মরুওইবা শরুক অমা ওইরিবা স্বাছ সরবেক্সন ২০১৯গী মশা অমনি। মমাঙদদি টাউন ২৭কী মনুংদা টাউন অহুম্না মনা অহুম ফংদুনা য়াম্না মাঙজিল থাবা ষ্টেট অমদি ওইখি। হন্দক্লা হেন্না অচৌবা থাজবা থল্লিবা মণিপুর ষ্টেটনি। অদুবু য়াল্লবা ষ্টেটশিংদুগী মশীং থীঙমদ্রবা টাউনশিংদুগী মরক্তা মণিপুরগী টাউন ২৭না টাউন কয়া মাঙজিল থারকপা হায়বদুদি য়েংখিবা তারি। ◀◀

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।